# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 07-08-2025)**

**থাদৌ (এল) ঃ** মনিপুরদা হৌখিবা চহি অনি হেন্না কাংলুপকী ঈরাং লৈরুরবা মতুংদা থাদৌ ইনপি মনিপুরগী মীহুৎ কাংবু অমা ইম্ফালদা থুংলরে।

মীওই ১৬ না শাবা মীহুৎ কাংবু অসি ঙরাং অয়ুক পুং ৯ লোম তাবদা ইম্ফাল ইয়ারপোর্টতা থুংলখিবনি। মখোয়না হেক থুংবগা কোকোমি য়াওনা মনিপুরগী লৈরিবা তোঙান তোঙানবা সি.এস.ও.শিং অমদি অরাম্বাই তেঙ্গোল জেনরেল হেদ ক্বাটরগী মীহুৎ কাংবুশিং য়াওনা তরামা ওকখি। তুংদা, ইম্ফালগী মফম অমদা সি.এস.ওশিং অমদি থাদৌ ইনপীগী মীহুৎশিংগা মীফম অমা পাঙথোকখি।

**পুলিস (এল)ঃ** মনিপুর পুলিসনা রাজ্য অসিদা মীতোপ খন্দোকপদা ইন্নর লাইন পার্মিট (আই.এল.পি) পায়রমদবা মপানদগী চংল্লকপা মীওই ১৭০ থেংনরে অমদি মীওই ১৩৪ গীনা ইন্নর লাইন পার্মিটকী চে-চাংশিং মতম লোয়বা থেংনরে।

মনিপুর পুলিসনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-মনিপুরদা মপানদগী আইন কায়না চংল্লকপা মীতোপশিং মশক খঙদোকবগী অখন্নবা ড্রাইব মমাং চহিদগী মনিপুর পুলিসনা চথুরক্লি। ঙরাং চথুখিবা ড্রাইবতা মীওই লিশিং ২, ৪১২ ৱাহং পাউহং চথুবদা হায়রিবা মীওইশিং অসি থেংনরকখিবনি। মীওইশিং অসি খুদক্তা মাও গেটতা লৈবা আই.এল.পি. কাউন্টরদা পুদুনা মথৌ তাবা চে-চাংশিং লৌহনখি। হায়রিবা ড্রাইব অসি সেনাপতি জিলাগী নেসনেল হায়ৱে নম্বর ট্-মরাম পেরেন রোড, তাদুবী তোলোই অমদি অতৈ ইন্টর ভিলেজ রোডশিং য়াওনা কৈথেলগী মফমশিংদা চথুখিবনি। সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট পুলিস টাক্স ফোর্স হায়না অখন্নবা ফোর্স অমা শেমগৎতুনা হায়রিবা ড্রাইব অসি বোর্ডর এন্ট্রি পোইন্

টশিংদা মীতোপশিং খন্দোকপগী থবক লেপ্তুনা চত্থরকপনি হায়রি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী কাডর অনি য়াওনা অতৈ খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমলে। চেরোল অসিনা হায়-ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তাউথোং মমাং লৈকাইদগী মীওই অসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী অহল্লুপ লাই হরাউফমদগী ফাগৎখিবনি। মহাক হৌখিবা চহিগী আগষ্ট থাদা লমদেং খুনৌদা লৈবা ফার্ম হাউস অমদা ডাক্তর অমবু ফাদুনা নমদুনা শেল লৌনবা হোৎনবদা চেন্নবা মীশকনি। অতোপ্পা কাদর অসিনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী য়ুরেম্বম অৱাং লৈকাইদগী ফাগৎখিবনি। মহাক মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়-চুরাচান্দপুর জিলাগী গোথোল ভিলেজতা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা মেগজিন য়াওদবা এ.কে. ঘটক রাইফল অমা, ইমপ্রোভাইজ মোটার অনি, ইমপ্রোভাইজ রোকেট বোম মরি অমদি ইমপ্রোভাইজ মোটার পম্পী রাউন্দ ১৯ ফাগৎলে।

**হেন্দলুম (এল) ঃ** রাজ্য সরকারগী দাইরেক্তোরেট ওফ হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাইলনা শিনদুনা নেসনেল হেন্দলুম ডে থৌরম ঙসি অয়ুক ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোক্কনি। চীফ সেক্রেটরি-ডা: পুনিত কুমার গোয়ল শরুক য়াগনি।

২০২৩-২৪ গী পদ্মশ্রী এৱার্দি, উখ্রুল জিলাদগী মচিহন সাসাবু থৌরম অসিদা তরামা ওকপগা লোয়ননা ইকায় খুমবা উৎকনি। মসিগী মথক্তা ২০২৩-২৪ গী হেন্দিক্রাফটকী ষ্টেট এৱার্দিশিংদা মনা লাস্থোক্কনি।

**মৈ (এল) ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী অহল্লুপতা লৈবা এলভেন কে.ভি. অহল্লুপ ফিদর ঙসি অয়ুক পুং ১০ মখায়দগী নুংথিল পুং মরি ফাওবা মৈ মুৎকনি।

এম.এস.পি.দি.সি.এলনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-জঙ্গল কট্টিং অমদি শেমজিন শাজিনবগী থবক চত্থগদবা মরমনা হায়রিবা ফিদর অসি মৈ মুৎকনি। হায়রিবা মতম অসিদা পাউমৈ কোলোনি, কাইরং, অহল্লুপ, হৈঙাং, কাইরং মুস্লিম খাবম মখা লৈকাইনচিংবা মফমশিং মৈ ফংলোই।

**ৱ্শু (এল) ঃ** জোরজিয়াদা চত্থখিবা বাতুমি ওপন ইন্টরনেসনেল ৱ্শু টুর্নামেন্টতা মনিপুরগী ওলিকা নাওরেমনা সনাগী তকমান অনি লৌরকখ্রে।

থা অসিগী অমদগী তরুক ফাওবা চত্থখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ (এ) গী কাংলুপ অনিদা ওলিকা নাওরেমনা ভারতকী টিমগী ওইনা মাংজিল থাদুনা সনাগী তকমান অনি লৌরকখিবনি। মহাকা লম্বা তৌনখিবা লৈবাকশিং অদুদি-বলগেরিয়া, উজবেকিস্থান অমদি ইরাননি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-হৌখিবা চহি ১১ অসিদা লৈবাক অসিদা মনুং মপান ফাওনা উবা শেঞ্জা থুমজা লৈতবা লৈবাক অমা লিংবা ঙমলে।

ন্যু দিল্লিদা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিন অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়-সরকার অসিনা লৈঙাক অসিগী কাচিন কোইয়া য়ৌনা চাউখৎহনবগী অনৌবা থৌরাং অমা পায়খৎলে। মসিগী মনুংদা লৈবাক শিনবা থুংবদা পঞ্চায়ট বিল্ডিং লিশিং ৩০ শাবা ঙমখ্রে। লাইরবশিংগীদমক য়ুম কোতি মরি শাখ্রে। অনৌবা মেদিকেল কলেজ ৩০০ শাবা লোয়রে।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসিনা মেক ইন ইন্দিয়া অমসুং অত্ম নিরভর ভারত নীংথিনা মায় পাকহন্দুনা মালেমগী খ্বাইদগী শেল পায়বা অহুমশুবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনরিবা অসিদা মীয়ামনা মতেং পাংবিয়ু।

**রেলৱে ঃ** লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা লাক্কদৌরিবা ইং ২০২৬ কী মার্চ ফাওবদা পুন্না কিলোমিটর ২৭৮ রেলনা শমহল্লগনি।

মসিগীদমক লুপা কোতি লিশিং ৪১,৬৭৬ খরচ তৌগনি।

ৱাফম অসি ঙরাং লোক সভাদা ইদুনা পীবা পাউখুম অমদা রেল মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনোনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়-অৰাং নোংপোক লমদমগী রেলৱে লাইন নীংথিনা ফগৎহন্নবগীদমক কিলোমিটর ৭৭৭ শাংবা রেলৱে প্রোজেক্ট ১২ গী শেনফমসু কায়থোক্তুনা থমলে। প্রোজেক্টশিং অসিগী মনুংদা বোগী বিল ব্রিজ, অগরতালা-সাব্রুম ন্যু লাইন, লমদিং-হোজাই অমসুং ন্যু বোংগাইগাও-অখোরি লাইনশিংনি। মসিগী মথক্তা কিলোমিটর ৭৯০ শাংবা অনৌবা লাইন ১৩ অমসু প্রধান মন্ত্রি গতি শক্তি নেসনেল মাস্তর প্লানগী মখাদা হৌখিবা চহি অহুম অসিদা শেমগৎখ্রবনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

লান মনুংদা অহানবা ওইনা থাদৌ ইনপীগী মীহুৎশিং ইম্ফালদা লাকখ্রে। কোকোমি, অমুকো, ফোক্স, অরাম্বাই তেঙ্গোলগী কাংবুগা অপুনবা মীফম পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অসি পোকফমগী বেন্নর হেদলাইন তৌরে। পাউ অসি পাউ চে অয়াম্বদা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি। পাউচে অসিদা মীয়ামগা নকা চৎমীনগদবা পোপুলর গভরমেন্ট থন্বীবা পাম্মী হায়বা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেনগী ৱাফমসু অহানবা লামাইদা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-জ়লাই থা মনুংদা আই.দি.পিশিং হোংজিলহনবা ঙমহৌদ্রে অদুবু ওন লাইন রেজিষ্ট্রেসন চথুরি, রিপোর্ট কৌখ্রে হায়বা বিষ্ণুপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-পুজা এলাংবমগী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরে।

ইভিক্সন তৌনবা থঙ্গাল অমদি পাউনা কৈথেলদা সর্ভে তৌখ্রে হায়বা পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরে। লম খোপচিনবগী লায়না থাদোকপীয়ু হায়বা দি.সিগী ৱাফম সব-হেদলাইন তৌরি। পাউ চে অসিদা নম্ফুদা সি.এমদগী রিজাইন্দ তৌহনখিবনি হায়বা হান্নগী মুখ্য

মন্ত্রি-বিরেনগী ৱাফম অমসু অহানবা লামাইদা ফোংলে।

নহারোলগী থৌদাংদা-এম.ঐচ.এ. অমদি কুকি সু গ্রুপকী মরক্তা ৱারী শান্নখ্রে। অথুবা মতমদা সু এগ্রীমেন্টকী খুৎয়েক পীনবা য়ানা লৈরে হায়বা পাউ অসি অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। নেসনেল হায়ৱেদা অথিংবা য়াওদনা মীয়ামদা চৎথোক চৎশিন য়াননবা কুকি জো কাউন্সিল অমদি এম.ঐচ.এগী মরক্তা ৱারী শান্নদুনা খন্নখ্রে হায়বা বোক্স আইটেম অমসু য়াওরি।

নম্ফুদা চাফ মিনিস্তর ফমদগী রিজাইন তৌহনখিবনি হায়বা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-এন. বিরেনগী ৱাফম সনা লৈবাক পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরে। অৱাৎ অপা তান্নগদবা মতম অসিদা পি.আর. শাংদোকপা পামদে হায়বা সব হেদলাইন অমসু পীরি। পাউচে অসিদা থঙ্গাল, পাউনা কৈথেলগী ম্যেন রোডতা নত্তনা বিল্ডিং অনিগী অহাংবদা খোপচিল্লম্বশিংসু তকখায়গদৌরি হায়বা পাউ অসিসু অহানবা লামাইদা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-হিংশানা শোকহল্লবা রাজ্য ওইরিবা মনিপুরগী লৈখা তারবা ইকোনোমি বজেটনা নাথৈরল্লে হায়না হেদলাইন তৌদুনা প্রোফেসার-চিংলেন মৈস্নামগী বজেট এনালাইষ্টিস অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা-ইহান হানবা ওইনা থাদৌ ইনপীনা ইং তপ্পা পুরকবগী মতাংদা ইম্ফালদা লাক্কুনা সি.এস.ওশিংগা ৱারী শান্নখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিয়ু মেলদা-হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন ফিভমনা য়াদবদগী মুখ্য মন্ত্রি ফমদগী রিজাইন তৌখিবনি হায়বা এন. বিরেনগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-ইন্দো-জপান ফ্রেন্দসিপ এসোসিয়েসন মনিপুরনা শিনদুনা ৮০ শুবা হিরোসিমা ডে পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অসি অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-কুকি জো মীওইশিং চৎপা থিংলিবা অসি

লৌথোকবগীদমক ডব্লিয়ু.সি.কে.সি.এস.ওনা পুং ৩৬ কী মতম থাখ্রে। করিগুন্বা অথিংবা অসি লৌথোক্ত্রবা তারবদি নেসনেল হায়ব্রে টুদা ব্লোকেড তৌগনি হায়না কিহল্লকখ্রে হায়বা পাউ অসি অহানবা হেদলাইন তৌরে।